# ‘ইন্দিয়াবু তোখায় তাবগী মীৎয়েংদা য়েংলিবসি কোংগ্রেসনি’

**ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) :**
হৌজিক চখরিবা লোক সভা মীফমদা থাজদবগী মোসন পুখৎলক্লিবা অদুগী মতাংদা ওপোজিসন এলাইন্স আই এন দি আই এ বু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জ্যোতিরঅদিত্যা সিন্দিয়ানা হুন্দুনা ঙাঙখিবগা লোয়ননা ঙরাং রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৰাং নোংপোক লমদমগী মতাংদা মীৎয়েং চংদে হায়না ফোঙদোকখিবা অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা উৎতুনা ইন্দিয়াবু তোখায় তাবগী মীৎয়েংদা য়েংলিবসি কোংগ্রেসননি, বি জে পিনদি অসিগুম্বা অপিকপা ৰাখল্লোন নোংমতা খঞ্জিল্লুবা লৈতে হায়খি।



য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সিন্দিয়ানা ফোঙদোকখিবদা পার্লিয়ামেন্টতা মহাক্না ফল্লক্লিবা অসি চহি ২০ রোম শুরে অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি নত্তনা ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১৪০ গী পুক্নিংদা লাৎপা ঙম্বা লুচিংবা অমত্তা থেংনরক্ত্রি। ওপোজিসননা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মতাংদা শেমজিন শাজিনবা ৰাফম কয়া ফোঙদোক্লি।

ওপোজিসননা থাজদবগী মোসন পুখৎলক্লিবা অসি মণিপুরগী মতাংদা নত্তে। পোলিটিকেলগী ওইবা মখোয়গী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুর ৰাথোক্কী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টকী ৰাংমদা য়াম্না মরুওইবা ৰাফম কয়া ফোঙদোকখি। অদুবু ওপোজিসননা ৰাফমশিং অদুবু তাশিন্নদবগা লোয়ননা হাউসতা প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুর ৰাথোক্কী মতাংদা ৰারোলশিং থমগদবনি হায়না মরৈ তৌদুনা লাকখিবনি হায়রি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুর ৰাথোক্কী মতাংদা খন্ননবগীদমক মহাক শেম শাদুনা লৈ হায়না কয়ারক হন্না ফোঙদোকখ্রে। অদুবু নুমিৎ ১৭ নি শুজিল্লক্লবা নোংজু মীফম অসিদা ওপোজিসননা মতম পুম্বদা অয়েৎপা পীদুনা লৈরি। মমাংগী মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরমখিবা পি ভি নরসিমহা রাও অমদি ডা. মনমোহন সিংহগী মতম হৌখিবা কুমজা ১৯৯৩ অমদি ২০১১ দা থোকখিবা মণিপুর ৰাথোক্কী মতাংদা ৰা অমত্তা ঙাঙদনবা ৰাশকপা লৈখি। অদুবু মতমদুদদি কোংগ্রেসনা ৰাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে। অদুগা হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টরনা পার্লিয়ামেন্টতা মণিপুর ৰাথোক্কী মতাংদা ৰাফম ফোঙদোক্তনা লৈরিবা অসিগী মায়োক্তা থাজদবগী মোসন পুখৎলক্লিবা অসিদি অওন অওন চাবগী থৌওংনি হায়রি।

অমরোমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সিন্দিয়ানা ৰা ঙাঙলিঙৈদা ওপোজিসন এম পি শিংনা ৰাক্কআউট তৌখিবা অদুগা মরী লৈননা সিন্দিয়ান ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ওপোজিসনদা লৈরিবা এম পি শিংনা চৎকদবা লম্বী ময়েক শেংনা তাক্লে, মদুনা মরম ওইরগা মখোয়না ঙসি পার্লিয়ামেন্টতগী মপান থোকখিবনি হায়রি।

## ‘থাজদবগী মোসন ঐগীদি লাইবক ফবনি’

**ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):**
ঙসি থাজদবগী মোসনগী মতাংদা খন্ন-নৈনখিবা অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, অসিগুম্বা থৌওং অসি ঐগী ওইনদি য়াম্না লাইবক ফবনি। থাজদবগী মোসন থাঙ্গৎলিবা মীওইশিং অসিনা হাউসতগী মপান থোকখিবা মতমদা মীয়াম্না মখোয়দা থাজবা থমদে হায়রি। মোদিনা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দসু চন্দ্রবাবু নাইদুগী তেলুগু দেসাম পার্টিনা থাজদবগী মোসন পুখৎলকখি। মতমদুদসু ঐনা হায়, মোসন অসি ঐখোয়গী লৈঙাক্কী ফ্লোর টেষ্ট নত্তে, মসিদি মখোয়গীনি। মতম অদুদসু এন দি এ অমসুং বি জে পি না চাওনা মায় পাকখি। শম্না হায়রবদা ওপোজিসনগী থাজদবগী মোসন অসি ঐখোয়গী ওইনদি অফবা খুদমনি। মরম অদুনা মথং চহিদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদসু বি জে পি অমদি এন দি এ না চাওনা মায় পাক্কনি হায়রি।

# লোক সভাদা কোংগ্রেসনা অমিট শাহগী মায়োক্তা প্রিভিলেজ নোটিশ পীশিনখ্রে

**ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) :**
মহারাষ্ট্রগী লৌমী লুখ্নাবী কলাৰাতি বন্দুরকরগা রাহুল গান্ধীগা হৌখিবা কুমজা ২০০৮ দা উন্নখিবগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা অরানবা ৰাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা হাউসকী চৎন-কাংলোন থুগায়রে হায়বগী মরালদা লোক সভাদা কোংগ্রেসনা অমিট শাহগী মায়োক্তা প্রিভিলেজ নোটিশ পীশিনখ্রে হায়রি।



নোটিশ অদু কোংগ্রেস লুচিংবা অমসু ওইরিবা লোক সভাগী এম পি মনিকম তেগোরনা ঙসি স্পিকর ওম বিরলাদা পীশিনখিবনি। প্রিভিলেজ নোটিশ অদু পীশিনখ্রবা মতুং এম পি তেগোরনা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং পার্লিয়ামেন্টপু লান্না লমজিংনবা অমিট শাহনা হোৎনখিবা অদুগী মতাংদা স্পিকরদা প্রিভিলেজ নোটিশ অমা অমিট শাহগী মায়োক্তা পীশিনখ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০০৮ দা মহারাষ্ট্রগী মনুং চনবা ভিদরভা ভিলেজ দা থোকখিবা ফার্ম ক্রাইসিস অমদা লৌমী কলাৰাতিগী মপুরোইবা মশা মতোমতা শিজবগী থৌদোক অমা থোকখি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং রাহুল গান্ধীনা লৈখিদ্রবা লৌমী অদুগী ইমুংদা চৎতুনা অৰা-অনাগী মতাংদা ৰারী শাখি।

অদুমওইনমক ঙরাং পুখৎলকখিবা থাজদবগী মোসনগী মতাংদা চথখিবা দিবেটতা অমিট শাহনা রাহুল গান্ধীগী পোলিটিকেল কেরিয়রগী অশোয়বা কয়া পুথোকপগা লোয়ননা কলাৰাতিগী মতাংদা শেমজিন শাজিনবা ৰাফমশিং ফোঙদোকখিবনি। রাহুল গান্ধীনা শেলগী মতেং পীদুনা তেংবাংখিবা অদুবু লোৎশিন্দুনা থম্লগা বি জে পিগী মতমদা কলাৰাতিদা মতেং পাংখি হায়না অরানবা ৰাফমশিং অমিট শাহনা ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

## উত্তরখন্দগী য়ুম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে

**রিসিকেস, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) :**
উত্তরখন্দগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙরাং অহিং লেপ্তুনা নোং চুবনা মরম ওইরগা য়ুম কয়া ঈশিংনা তঙ্খাই থুমজিনখিবগা লোয়ননা মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা পুথোরকখ্রে হায়রি।

মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না রিসিকেসকী মনুং চন্না লৈরিবা ধালৰালা অমসুং খারা এরিয়াশিংদি ঈশিংনা মপুং ফানা থুমজিনখ্রে। হায়রিবা মফমশিং অসিদা ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী টিম অমা চংশিন্দুনা মী কনবগী থবক কন্না চথুরি। ঙরাং নুমিদাং ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মফম অসিদা চংশিনখিবা এস দি আর এফ কী টিমনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ঈশিংনা তঙ্খাই থুমজিনখ্রবা য়ুমশিংদা লৈরম্বা মীওই ৫০ তেক্তা কায়দনা রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রে। মখা তানসু মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি।

অমরোমদা উত্তরখন্দগী চিফ মিনিষ্টর পুস্কার সিংহ ধামিনা ফোঙদোকখিবদা দিজাষ্টর কন্ট্রোল সেন্তরনা ষ্টেট অসিদা নোং চুবগী মতাংদা য়েংশিনবগী থবক চথুরি। চারধামদা লাই খুরুম্বা লাক্লিবশিংনসু নোং-চিংগী ফিভম য়েংলগা মখোয়গী খোঙচৎ মখা চথবীয়ু। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা লাই নিংবশিংনা মখাগী লম্বীদা চৎলোইদবনি হায়রি।

মহাক্না হায়, ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা মফমশিংদা এস দি আর এফ অমসুং এন দি আর এফ কী পার্সোনেলশিং থাজিন্দুনা মী কনবগী থবক চথুরি। লোয়ননা খুদক্কী ওইনা অৰাবা তারবা মীওইশিংদা মতেং পাংনবগী খন্নবা হৌরে হায়রি।

## পার্লিয়ামেন্টতা য়াম্না তোয়না অয়েৎপা পীবগী মতাংদা হান্নগী পি এম দেভে গৌড়ানা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে

**বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) :**
নুমিৎ ১৭ নি শুজিল্লক্লবা নিংথম মীফম ঙসি ফাওবদা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরিবা অদুগী মতাংদা পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ঐচ দি দেভে গৌড়ানা হায়, খুদিংমক্না দিগ্নিটি অমসুং দেকোরম ঙাক্না চৎলবা মতমদতা দেমোক্রেসি কনবা ঙমগনি।

মশাগী চহি ৯০ রোম শুরবা জনতা দল (সেক্যুলর) গী লুচিংবসু ওইরিবা কর্নাটাকাগী রাজ্য সভাগী মেম্বর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হকচাংগী ওইবা নুংঙাইতবা কয়া লৈরবসু পার্লিয়ামেন্ট শরুক য়ানবগীদমক লাকখিবনি। অদুবু পার্লিয়ামেন্টতা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি পেন্নিংঙাই ওইদে। চহি কয়া পার্লিয়ামেন্টতা ফমদুনা লৈরকখিবা অসিদা হন্দক থোক্লিবা অসিগুম্না অমুক ফাওবা থোকখিদ্রি। মসিদি অনৌবা চৎনবী অমনি। থৌওং অসি মখা তানা চথরবদি লৈবাক অসিদগী দেমোক্রেসি শোয়দনা মাঙখ্রগনি হায়রি।

মহাক্না হায়, অমনা অমগী মমিং পন্দুনা লাউরগা ঙাঙবা অমদি খোল্লাওশিং লাউবনা লেমহৌরিবা ঐখোয়গী সিষ্টেমগী শরুক খরা অসিসু শোয়দনা অমাং অতা থোকহল্লক্কনি। মরম অদুনা ঐখোয়না হাউসকী দিগ্নিটি অমদি দেকোরম ঙাক্না চৎকদবনি হায়রি।

ওপোজিসন লিদর মালিকআর্জুন খর্গেনা রুল ১৬৭ কী মখাদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুর ৰাথোক্কী মতাংদা ৰা ঙাঙনবা দিমান্দ তৌরকপদগী হাউসতা চয়েৎনবা থোক্তুনা ঙসি নুংথিল পুং ২ ফাওবা রাজ্য সভাগী প্রোসিদিং এদজোর্ন তৌখি। রুলিং পার্টিগী মেম্বরশিংনসু খর্গেগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হাউসতা লেপ্লগা খোল্লাও কয়া লাউখি।

খর্গেনা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হাউসতা লাক্লগা মণিপুরগী মতাংদা ৰা ঙাঙবদা অকায়বা অমত্তা লৈতে। মহাক লাই নত্তে হায়না ফোঙদোক্লুবদগী রুলিং পার্টিগী মেম্বরশিংনা খর্গেগী মায়োক্তা য়ানিংদবগী খোল্লাওশিং লাউবা হৌরকখিবনি হায়রি।

## তুসার গান্ধীনা কমপ্লেইন ফাইল তৌখ্রে

**পুনে, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):**
লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ফাদর ওফ দি নেসন হায়না মিংথোন পীখ্রবা মহাত্মা গান্ধীগী মতাংদা রাইট ৰিং লিদর সম্ভাজি ভিদেনা ফজদবা ৰাহৈ ৰাতাশিং শিজিন্নখি হায়বগী মরালদা মহাত্মা গান্ধীগী মশুনুপা তুসার গান্ধীনা ভিদেগী মায়োক্তা পুলিস কমপ্লেইন অমা ফাইল তৌখ্রে হায়রি। তুসার গান্ধীনা ঙসি এদভোকেট অসিম সরোদেগা লোয়ননা পুনে সিটিদা লৈবা দেকান জিমখানা পুলিস ষ্টেসনদা লাক্তুনা ভিদেগী মায়োক্তা কমপ্লেইন তৌরখিবনি। পুলিসনসু হিরম অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা থবকপায়খৎপা হৌখ্রে। অদুমওইনমক ভিদেবু ফাবা নত্রগা ৰাহং পাউহং চথবগী পাউদি লৈতে হায়রি।

## ‘তামিল নাদু লৈঙাক্কী অশোয়বনি’

**ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) :**
তামিল নাদুগী মদুরাইদা এইমস হোস্পিটাল শানবগীদমক লুপা ক্রোর ৭০০ কী প্রোজেক্ট অমা থাগৎলকখিবা অদু তামিল নাদু লৈঙাক্না মথৌ তাবা লম লৌশিনবগী থবক থৌরমশিং থেংথবদগী প্রোজেক্ট অসি থেংথবনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মালা সিথারমননা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা ঙসি থাজদবগী মোসনদা ৰা ঙাঙলদুনা সিথারমননা হায়, এইমস প্রোজেক্ট থেংথরিবা অসিগী তেকচাক ষ্টেট লৈঙাক্না পুজগদবনি। প্রোজেক্ট অসি থেংথবগী মতাংদা সেন্তরদা মরাল শিনবা হোৎনরিবা অসি মরম চাদে। হোস্পিটাল অসি শানবা মথৌ তাবা লমগী চে-চাংশিং মতম চানা ষ্টেট লৈঙাক্না লোইশিল্লম্লবদি প্রোজেক্ট অসি থেংথরমদবসু য়াই।

অমরোমদা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা চহি অনি হেন্না চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক অমত্তা মপুং ফানা পায়খৎপা ঙমদনা লাকখিবা অদুসু ওপোজিসনদা লৈরিবশিংনা নিংশিংগদবনি। মতম পুম্বদা সেন্তরদা মরাল শিনবা হোৎনরোইদবনি হায়রি।

অমরোমদা ওপোজিসন পার্টি দি এম কে গী মেম্বরশিংনা ফোঙদোকখিবদা হোস্পিটাল অসি শানবগীদমক প্রোপোজ তৌখিবা বজেদকী শেনফম লুপা ক্রোর ১২০০ নি। অদুবু লম লৌশিনবগী মতাংদা মতম খরা থেংথখিবনা মরম ওইরগা প্রোজেক্ট অসি লুপা ক্রোর ১৯০০ দা হেনগৎখ্রে। অদুবু হোস্পিটাল শাবগী থবক্তী পায়খৎপা হৌদ্রি হায়না মরাল শিখি।

## ষ্টেটকী পাউ

## এন এস য়ু সীনা অপিল তৌরক্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):**
মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফিভম অসিনা মহৈরোই কয়া মতম শাংনা মহৈ তম্বা ফংদনা লাক্লিবা অসিগী মতাংদা জে এন ভি চান্দেলগী ওইনা স্কুল অসিদা তম্লিবা মহৈরোইশিংগী ওইনা অখন্নবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎনবা নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেল (এন এস য়ু সী) গী মাইকৈদগী অপিল তৌরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এন এস য়ু সীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা থা ৩ হেন্না চথরক্লিবা ভাইওলেন্সকী থৌওংশিং অসিনা মরম ওইরগা চহি নৌরিবা অঙাংশিং খক্তা নত্তনা মমা-মপা ওইবশিংদসু ৰাখলগী ওইবা চরাংনবা কয়া পোকহল্লে। মসিনা মরম ওইরগা মহৈরোই খরদি মশা মশাগী পোকফমদা হন্দুনা লৈনখ্রে।

অমরোমদা গভর্নমেন্টকী ওর্দর মতুং ইন্না ক্লাস সভেন ফাওবগী মনুংদা তম্লিবা মহৈরোইশিংগী ওইনদি মহৈ তম্বগী থবক চথবা হৌখ্রে। মসি অফবা খোঙথাং অমনি। করিসু খঙজদ্রিবা অঙাংশিং অসিদা মমা মপা ওইবশিংনসু থোক্লিবা ইরাংসিগা মরী লৈননা ফৎতবা ৰাফমশিং হায়রোইদবনি। অদুমওইনমক জে এন ভি চান্দেলগী ওইনা ক্লাস নাইনদগী টুয়েল্ভ ফাওবগী ক্লাস চথবা হৌদ্রি। মরম অদুনা হায়রিবা ক্লাসশিং অসিগী ওইনসু অথিংবশিং লৌথোক্তুনা মহৈরোইশিংবু তাকপী তম্বীবগী থবক পায়খৎপীয়ু হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, জে এন ভি চান্দেলদা উংখৎনরিবা মীতৈ অমসুং কুকিগী ইচিল ইনাওশিংসু মহৈ তম্লিবনি। মরম অদুনা জে এন ভি চান্দেলনা স্কুল অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবগীদমক তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদগী স্কুল অসিদা তম্লিবা মহৈরোইশিং ইরাং অসি নেমথদ্রিবা ফাওবা তম্পাক্তা লৈবা জে এন ভি গী ইন্সটিট্যুসনশিংদা তমহন্নবা অখন্নবা থৌশিল থৌরাং অমা পায়খৎকদবনি হায়রি।

## এন এন য়ু সী ও না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):**
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নাচৌ অৰাং মনিং লৈকাইদগী নোংমাইথেম মঙাললৈমাদা দোক্তর ওফ ফিলোসোফি পীরকখিবা অদুবু ওল নাচৌ য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এ এন য়ু সী ও) গী মাইকৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ওর্গনাইজেসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, য়ুনিভর্সিটি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ সাইন্সেস প্রয়াগরাজ, য়ু পি দা তম্লিবী মহৈরোই অসি প্রোফেসর জোন দেভিদকী মখাদা রিছার্স তৌখিবনি। মহাক্কী রিছার্স টোপিক্কী মমিংনা প্রোসেস ওপটিমাইজেসন এন্দ ক্বালিটি ইভাল্যুসন ওফ মিল্ক দির্জট মেনুফেক্চর বাই দিফরেন্ট লেভেল্স ওফ এভোকেদো (পর্সিয়া আমেরিকানা) এন্দ হ্বে প্রোটিন কন্সেন্ট্রেট হায়বসিনি। মহাক নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল থাক্কী সেমিনার কয়াদসু শরুক য়াখ্রে হায়রি।

## রাজ মেদিসিটিদা শেলগী তেংবাং লেপ্পা লৈতনা পীনরক্লি



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):**
মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা তংদু লৈতাদবগী থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা অশোক অপনশিং লেম্না লায়েংবগী থবক চথরিবা মণিপুরগী লিদিং হোস্পিটাল অমসু ওইরিবা রাজ মেদিসিটিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিয়েসননা লুপা লিশিং ৫০, সোসিয়েল ৰার্কর নোংথোম্বম দিলিপকুমারনা লুপা লিশিং ৫০ অমদি হাওবম মরক লৌরেম্বম লৈকাইদগী নামৈরাকপম ওকেননা লুপা লিশিং ১০ তেংবাং পীরকখ্রে হায়না রাজ মেদিসিটিগী মীদিয়া রিলেসন ওফিসরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুং ইন্না, লন্নাই মীওই অমদি মীনুংশি চাওবা কয়ানা হোস্পিটাল অসিদা শেলগী তেংবাং পীরকখিবা অসিনা মরম ওইরগা হোস্পিটাল অসিনা অশোক অপন নংলবা মীওইশিং লায়েংবগী থবক চথবদা চাওনা মতেং পীবা ঙম্লগনি। মসিগীদমক রাজ মেদিসিটিনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিয়েসন, সোসিয়েল ৰার্কর নোংথোম্বম দিলিপকুমার অমদি হাওবম মরক্তগী নামৈরাকপম ওকেনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোংদোকই। পুকচেল চাওরবশিং অসিনা শেলগী তেংবাং পীরমখিবা অসিনা মরম ওইরগা রাজ মেদিসিটিনা মখা তানা কাংলুপকী ইরাংনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা লেম্না অনা লায়েং চথবগী থবক হেন্না খুদোং চাহল্লগনি । রাজ মেদিসিটিনা লমদমসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা লন্নাই মীওইশিং অমদি কম্পনিশিংনা তেংবাং পীরকখিবা অসিগীদমক থাগৎপা ফোংদোকই হায়রি।

অমরোমদা হোস্পিটাল অসিগী চিয়রমেন এন্দ মেনেজিং দিরেক্তর হাওবিজম রাজেননা ফোঙদোকখিবদা পুকচেল চাওরবা মীওই কয়াগী তেংবাংনা ঙসি হোস্পিটাল অসিনা অৰাবা তারবা মীওইশিংদা লেম্না মতেং পীবা ঙম্লিবনি। হোস্পিটাল অসিনা হৌজিক থোক্লিবা কাংলুপকী ঈরাংনা অৰাবা নংহল্লবা মীওইশিংদা লেম্না অনা লায়েংগী থবক চথুদুনা লাক্লি। মখা তানসু লেম্না লায়েং চথুদুনা অঙম্বা মতেং পাংখিগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

## দি এম সী সীনা মণিপুরগী এম এল এ মিনিষ্টরশিংগা উন্ননবা হায়জখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):**
দেল্লিদা লৈরিবা মীতৈশিংগী ওর্গনাইজেসনশিং দেল্লি মীতৈ ফোরম, দেল্লি মীতৈ, দেল্লি হেরিটেজ সোসাইটি, ইন্টরনেসনেল মীতৈ ওর্গনাইজেসন, ৰর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল দেল্লি, লিকলম ঙাকপা, ইরমদম মণিপুর, য়ুনাইটেদ ককচিং ষ্টুদেন্টস দেল্লিগী অপুনবা বোদি অমা ওইরিবা দেল্লি মীতৈ কোর্দিনেটিং কম্মিটি (দি এম সী সী) না মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৰাথোক অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী এম এল এশিং অমদি মিনিষ্টরশিংগা উন্নবগী অয়াবা পীবিনবা হায়জখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা দি এম সী সী না ফোঙদোকখিবদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা হৌজিক হৌজিক মণিপুর ৰাথোক্কী মতাংদা লৌরিবা থৌদাং দেল্লিদা লৈরিবা মীতৈ কম্যুনিটিশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকই। দেল্লিদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীতৈশিংগী মতাংদা অমদি হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ৰাথোক অসিগী মতাংদা মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা মখোয়দগী পাউতাক লৌবা পাম্মী। মরম অদুনা হৌজিক হৌজিক দেল্লিদা লৈরিবা এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিংনা মখোয়গী খুদোংচাগদবা মতম য়েংলগা উন্নবগী খুদোংচাবা পীবীয়ু। দেল্লি মীতৈ কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা এম এল এ অমসুং মিনিষ্টরশিংগা উন্নরগা থাগৎপগী ৰাফমশিং ফোঙদোক্লিংই অমদি মণিপুরদা ঈং তপ্পা পুরক্লবা ঐখোয়গী ফুরুপচাশিংগী মরক্তা অচেৎপা মরী মতৌ করম্না শেমগৎকদগে হায়বগী মতাংদা পাউতাক লৌনিংই।

দেল্লিদা হৌজিক লৈরিবা এম এল এ অমসুং মিনিষ্টরশিংনা দি এম সী সী না পাল্লিবা অসি থবক্তা ওইনা ওন্থোকপীরক্কনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ অমদি মখোয়গী খুদোংচাগদবা মতমদা ঐখোয়না উন্ননবা শেম শাদুনা লৈ হায়রি।


GOVERNMENT OF MANIPUR
MINISTRY OF TRIBAL AFFAIRS
[SCHOLARSHIP SECTION]
ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ/NOTIFICATION
Imphal, the 9th August, 2023

**National Fellowship for Higher Education of ST Students for the year 2023-24.**

N0.12/PMS/FORMS/2012-TA&H:- It is notified for information that Ministry of Tribal Affairs, Government of India is inviting online applications for National Fellowship under the scheme **"National Fellowship & Scholarship for Higher Education of ST Students"** for the year **2023-24.** The fellowship is awarded to candidates selected for pursuing Ph.D/integrated M.Phil+Ph.D programmes.

Number of slots: 750

Interested candidates may apply online through **https://fellowship.tribal.gov.in/**

2. **The last date of submitting applications online is: 31.08.2023.** For more details, candidates may visit Ministry's portal: - **https://fellowship.tribal.gov.in**

3. In this regard, Interested and eligible ST students may visit the above website and submit their applications.

Sd/-
**Hannah Kahmei**
Director,
Tribal Affairs & Hills, Manipur

HL-B/8266/10 & 11 Aug.



GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE : TRANSPORT DEPARTMENT
ꯇꯦꯟꯗꯔ / E-TENDER NOTICE
Imphal, the 10th August, 2023

No. M-TPT/138/2022-DoTPT-DT: The Department of Transport, Government of Manipur invites bids from interested Service providers in the Country for Ground Support Agency for Ground Handling Services of Helicopter Service in Manipur. The details may be seen from https://manipurtenders.gov.in

Sd/-
**Dr. Nivedita Lairenlakpam**
Director (Transport), Manipur

HL-B/8270/11 Aug.



IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WANGOI
ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Wangoi, the 9th Aug., 2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Smt. Wangkheimayum Rashitombi Devi W/o (L) Wangkheimayum Kesho Singh of Iram Siphai Mayai Leikai দা লৈবনা মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC/Wangoi গী office তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা লাক্লিবা Dt. 16/08/2023 গী অয়ুক্কী পুং 11.30 am ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নত্রগা ইশানা Court তা লাক্তুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই Court গী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চখজগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector**
Wangoi, Imphal West

HL-P/7418/11 Aug.



ꯏꯟꯗꯤꯀꯦꯇꯤꯕ ꯑꯦꯗꯚꯔꯇꯥꯏꯖꯃꯦꯟꯇ
**INDICATIVE ADVERTISEMENT**
**Imphal, the 9th Aug., 2023**

A "Walk-in-Interview" for recruitment of 1 (One) Senior Consultant Epidemiologist for the Project "RI-HIV Sentinel Surveillance" RIMS Imphal. For more details visit: www.rims.edu.in/ Notice board to the office of the undersigned.

**Sd/- Deputy Director (Admn.), RIMS Imphal**

HL-B/8267/11 Aug.



MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL
ꯑꯦꯗꯚꯔꯇꯥꯏꯖꯃꯦꯟꯇ/ ADVERTISEMENT
Dated, the 10th August, 2023

**No. MU/5-127/23/FCY/Vol II:/366** Applications on plain paper are invited for appointment of 1 (one) Guest Faculty on contract basis in Manipur Institute of Management Studies (MIMS), MU through walk-in interview initially for a period of 6 (six) months extendable by another term. University may, however re-advertise for similar appointment, if necessary.

**Essential Qualifications:**
M.B.A / PGDM / C.A / ICWA / M.Com
As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

**Honorarium:** Rs. 1,500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 50,000/- (Fifty thousand) only per month.

**Date of Interview:** 17.08.2023 at 11:00 A.M.

**Place of Interview:** Vice-Chancellor's Committee room, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Director, Manipur Institute of Management Studies (MIMS), Manipur University, Canchipur- 795003 before 10 a.m. on the same day.

**Sd/- Dr. R.K. Joteen Singh**
Deputy Registrar (Admn.)

HL-B/8268/11 & 12 Aug.



MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL
ꯑꯦꯗꯚꯔꯇꯥꯏꯖꯃꯦꯟꯇ/ ADVERTISEMENT
Dated, the 9th August, 2023

**No.MU/FL/KR-I(Admn.)/15:/363** Applications on plain paper are invited for appointment of 1 (one) Guest Faculty of Korean Language on contract basis in the Department of Foreign Language, MU through walk-in interview initially for a period of 6 (six) months extendable by another term. University may, however re-advertise for similar appointment, if necessary.

**Essential Qualifications:**
As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

**Desirability :** 1. Specialization in teaching Advanced Korean Interpretation and Translation for M.A. and Hanja (Chinese characters) with Korean Proverbs and Idioms.
2. Candidate with TOPIK level 6 or Native Korean.
3. Teaching Experience more than 3 years in University.

**Honorarium:** Rs. 1,500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 50,000/- (Fifty thousand) only per month.

**Date of Interview:-** 29.08.2023 at 01.00 p.m.

**Place of Interview:-** Committee Room of the Vice-Chancellor's Secretariat, MU.

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Head, Department of Foreign Language, Manipur University, Canchipur - 795003 between 10 a.m. to 12:00 noon on the same day.

Sd/-
**Dr. R.K. Joteen Singh**
Deputy Registrar

HL-B/8269/11 & 12 Aug.